এডিটোরিয়েল

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

কাংজৈবুংদা বোম পোকখায়বা

সি সি টি ভি কেমেরা মথৌ তৌরিব্রা খঙনীংই

ইম্ফাল সিটি য়াওনা তম্পাক্কী মরু ওইবা মফম কয়ামরুমদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌবা, শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপা নৎত্রগা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা গ্রেনেট লংশিন্দুনা পোকখাইহনবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোকখিদ্রে হায়বা য়াই। অদুবু মসিনা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শাথিনা ফগৎলে হায়না লৌবদি চুমগনি হায়বা নীংলক্তে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা লালহৌবশিংনা অর্বান এরিয়াদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদুম থোক্লি। মী হাৎপসু মরক মরক্তা অদুমক চখরি। ওইরক্লিবা মওং অসি লালহৌবশিংগী থৌশিলদা অহোংবা লৈখিবদগী য়াম্না তোয়না ক্রাইম চখরক্তবা ওইব্রা হায়বসি মীয়ামগী ৱাহংনি। মমাঙ চহীদা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা এক্সেষ্টেরিয়ান টুর্নামেন্টদসু হেন্দ গ্রেনেট লংশিন্দুনা সেক্যুরিটিগী পার্সোনেলশিং অশোক–অপন য়াওহনখি। হন্দকসু ফেব্রুৱারী ১১ দগী পাঙথোক্কদবা অসাম রাইফলসকী দি আই জি গী এক্সেষ্টেরিয়ান টুর্নামেন্ট অমগী শেমগৎ–শাগৎপা অমসুং য়েংশিন্নবা থৌদাং শিন্নরিবা এ আর গী কাঙবুদা হেন্দ গ্রেনেট অনী লংশিন্দুনা এ আরগী পার্সোনেল অহুম অমসুং মীচম অমা শোকখিবগী থৌদোক থোক্লে। মসিমক্লা তাক্লিবদি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা মথৌ তৌবা পার্সোনেলশিংদা এটেক তৌরগা কনামত্তা খঙহন্দনা নাম্থোকপগী পোরম য়াৎপা অমসুং হৈ–শিংবা কাঙবু অমা লৈরে হায়বসিনি। মখোয়না ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম অমদা বোম লংশিন্দুনা এটেক তৌবা ঙম্মী হায়বদু তাক্লবনিনা সিটি অসিদা লৈরিবা মচঙ ওইবা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা মখোয় শাফনা হিংলি হায়বদি য়াররোই। খূৎলাই পায়বশিংনা সিটি অসিগী মনুংদা মখোয়না পাম্বা নুমিৎতা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌবা ঙম্বগী মতীক ময়াই লৈ হায়বসু উৎলে।

নোংমদা মীওই লাক্ষ কয়ামরুম চখোক–চৎশিন তৌরিবা সিটি মনুংদা ক্রাইম তৌবা মীওই ফাবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। পুলিসনা ঙাইহাক লৈতনা সিটি মনুংদা কোম্বিং ওপরেসন তৌরগা চেন্নবা মীওই ফাবা ঙমগনি হায়না খনবা ৱাখল্লোন অদুসু হৌজিক্কী মতমদা চানদ্রে হায়না লৌবা য়াই। মতমগী মমল খঙবা মীওইদা পুলিসনা পূং ১ ফাজিল্লগা লম্বী ময়াইদা পরেং শাংনা লেপহল্লগা থম্বা হায়বসি মহাক্কী ইকায়খূম্নবা মাঙহনবতা নত্তনা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং মৎলে হায়না ৱাকৎলকপদা ওপরেসন অদুগী কম্মান্দর চৈরাক ফংদনীংঙাই লৈরোই। য়ামখ্রবা মীয়াম অসিবু পুলিস পার্সোনেলশিংনা মশা পায়দুনা চ্যেক তৌবগী ওইথোকপসু লৈরোই। লম্বী চোননা থৌনরিবা মখল কয়াগী গাড়ীশিং খাম্লগা বোম নৎত্রগা নোংমৈ য়াওব্রা হায়না থিদোকপসু অরাইবা ওইরোই। ওইথোকপা লৈরোই, অরাইবা ওইরোই হায়রগসু মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবগী থৌশিল অমা ফাওবা লৈত্রব্রা হায়বদুদি মণিপুর লৈঙাক্লা পাউখুম পীজগদবনি। মরাল লৈবা মীওই ফাননবা থি–হুম্বগী থবক্তা মরাল লৈতবা মীওই ৱাহনবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা থোকহনবা হায়বসি লোনসু য়াদে। অদুগা মতম অসিগসু চান্নদবা ওই। চাউখৎপা সিটিশিংদদি মফম খুদিংমক সি সি টি ভি কেমেরা খিন্দুনা লম্বীদা চৎলিবশিংনা করি করি তৌরিবগে হায়বা লোয়নমক উবা ঙম্মী। ইন্দিয়াগীসু অদুমঙাই সিটিগী মরু ওইবা মফমশিং খক্তা নত্তনা মরু ওইদবা লম্বীশিংদসু সি সি টি ভি খিল্লি। মদুনা মরম ওইরগা কনাগুম্বা অমনা অরানবা হেক তৌরম্বদা মহাকপু খুদক্তা ফাবা ঙম্মী নৎত্রগা মহাক্কী লংলা–লংজিন পুখোকপদা খুদোং চাহল্লি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি ইম্ফাল সিটিদা সি সি টি ভি কেমেরা খিনবগী ৱাথোক অমা লৈখি। মীওই খরনা লৌতুনরগা মীয়ামগী মরল–মথুম মৎলগা থবক ওইনদি উখিদে। মদুগী তুংদা লৈঙাক্লা অনৌবা ফার্ম অমদা সি সি টি ভি কেমেরা খিন্নবগী থবক শিন্নখি। হায়রিবা কেমেরাশিং অদু মথৌ তৌবা হৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা লৈবা মরমনা হন্দক্কী বোম পোকখাইবা অদুদা চেন্নরিবা মীওইদু কনানো হায়বা মশক খঙলম্লগনি, মীয়ামদা ফোঙদোকউ হায়জনীংই।

ꯀꯥꯡꯖꯩꯕꯨꯡꯗ ꯕꯣꯝ ꯄꯣꯛꯈꯥꯏꯕ

ꯁꯤ ꯁꯤ ꯇꯤ ꯚꯤ ꯀꯦꯃꯦꯔꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯧꯔꯤꯕꯔꯥ ꯈꯉꯅꯤꯡꯏ

[illegible]

মণিপুরী ফোক ত্রেডিসন

ডা. ঐচ বিহারী

ইংরাজিগী ‘ফোক’ হায়বা ৱাহৈ অসিনা অহানবদদি লৌউ–শিংউবনা মশিঞ্জাং ওইবা, লাইরিক–লাইশু হৈনদবা খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিং অদুবু খঙনরম্মী। হৌজিক্তি ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক অসুম্না হনবা লাল্লে হায়না লৌনরে ‘ফোক’ হায়রগদি– লোনচৎ–শাজৎতা নৎত্রগা লোলদা নৎত্রগা শিনফমনচিংবদা য়ামদ্রবদা মান্নবা অপূনবা শক্তম অমদা চৎনবী ওইনা লৈরবা মীওই কাঙলূপ অমবু খঙনরে।

‘ফোক’ হায়বসিনা কোনগদবা অকক্লবা মফম, মতম, মীশক, মীওইনচিংবা লৈতে। মীশীং য়াম্বা য়াই, লীকপা য়াই। খুঙ্গংদা লৈবা য়াই, সহরদা লৈবা য়াই। লাইরিক হৈবা য়াই, হৈতবা য়াই। মরু ওইরিবদি মীওই কাঙলূপ অদুদা য়াওরিবা মীওইশিং অদু মশা মশাগী ওইবা পুন্সি মহীংগী থাক্তা খেন্নবা কয়া লৈজরগসু মখোয় খুদিংমক্লা কাঙলূপ অদুগী অপূনবা চৎনবীগী মশক অমা ঙাক্লা চৎনবা হায়বসিনি। অদুগুম্বা মান্নবা চৎনবীগী মশক অদুনা কাঙলূপ অদুগী মীশীং অদু অমগা অমগা শক খঙনরবসু খঙনদ্রবসু, মখোয় অদু কাঙলূপ অদুগী মীনি হায়বদু পুনশিন্দুনা থম্বতা নত্তনা মশানা কাঙলূপ অদুগী মীওইনি হায়বদুসু তাকচৈ। অসিগুম্বা মীওই কাঙলূপপুনি ঐখোয়না হৌজিক ‘ ফোক’ হায়রগা খঙনরিবসি।

ইংরাজিগী ‘ত্রেডিসন’ হায়বা ৱাহৈ অসিনা লেটিনগী ‘ত্রেডিসো’ হায়বদি ‘থঙথরকপা’ হায়বদুদগী লাকপা ৱাহৈনি। মসিদা খঙনরিবসি মী অমদগী অমদা নৎত্রগা মীরোল অমদগী অমদা অসুম অসুম থংথরক্তুনা মখা অদুম চখরক্লিবা থৌওংগী মশকশিং অদুবুনি। কনাগুম্বশিংনা ‘ত্রেডিসন’ হায়বা অসি, অহল–লম্মন হাক্তক্তগী লৈরক্লবা, চহী কয়া চুপ্না তুংশিল্লক্লবা খুন্নাই অমগী লমনি, মসি খুন্নাই অদুগী তোঙান তোঙানবা শক্তম কয়াদা অমদি খুন্নাই অদুগী মীওইশিংগী পুন্সি মরেলদা য়ানশিন্নদুনা লৈখ্রবা অমনি হায়না তাক্লবসু য়াওনৈ। অদুগা কনাগুম্বা খরনা অমুক ‘ত্রেডিসন’ হায়বসি মীওই কাঙলূপ অমগী খুন্নাইগী চৎনবী লমচৎ–শাজৎ, পুন্সি মরেলনচিংবশিংদা য়াওশিন্দুনা লৈখ্রবনি হায়না ফোঙদৌক্লে।

খুন্নাই অমগী মনুংদা চৎনরক্লিবা ত্রেডিসনগী মশকশিং অসি মীরোল অমদগী অমদা চীনবুংদবু ওইরবসু নৎত্রগা লাইনীংগী ওইবা অইবা লাইরিকশিংদবু ওইরবসু থঙথদুনা লাকই। অসুম্না থঙথরকপা অসিদা চীনবুংদা থঙথরকপবু ‘ওরেল ত্রেডিসন’ হায়না খঙনৈ।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ‘ত্রেডিসন’ হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তা মরু ওইনা মচাক মহুমখক য়াওরি। মদুদি– (১) ত্রেডিসন হায়বসি লেপ্পা লৈতনা মথং–মথং থঙথরক্লিবা করিগুম্বা অমনি, (২) ত্রেডিসন হায়বসি খুন্নাই অমগী ওইনা লৈরকপা মচৎ মনাৎকী (সংস্কৃতি) ওইবা তোঙান তোঙানবা মচলশিং শেন্নক্লিবা পোৎশক অমনি, (৩) ত্রেডিসন হায়বসি মীওই কাঙলূপ অমগী শক তাক্নবা অখন্নবা পোৎশক অমনি।

ত্রেডিসনগী মচাকশিং অসি মীওই কাঙলূপ অমদা মতম কুইনা অমসুং তোঙান তোঙানবা ফীভম কয়ামুক্তা ফংদুনা লাকই। মদুনা মীওই কাঙলূপ অদুগী মচৎ–মনাৎ (সংস্কৃতি) কী মচাক কয়ামুক ওইহল্লক্তুনা অহল–লম্মন হাক্তক্তগী মথং মথং থঙথনরকপা চৎনবীগী মশক ওইরকই। মদুদা মপান্দগী চঙলকপা কয়াসু য়ানশিনখিবা য়াই। অদুগুম্বা কয়া অদুদগী কয়া অমদি মীওই কাঙলূপ অদুদা য়ানদুনা চৎনৈ, য়ানদদুনা চৎনদবসু য়াওনৈ। অসিগুম্বা ত্রেডিসনশিং অসিগী মনুংদা খরা অমদি অখন্নবা মতম খরদমক শীজিন্নদুনা চৎনবা অদুগা খরা অমনা চৎনদনা নীংশিংনরগদা লৈবসু য়াওই, অদুগা খরা অমনা মথং মথং মাঙখিবসু য়াওই। অদুম্নমক, মশাগী ত্রেডিসন লৈজবা মীওই কাঙলূপ অমগী মনুংদা অতোপ্পা অনৌবা মীওই কাঙলূপ অমা চঙলক্লগা নৎত্রগা মীওই কাঙলূপ অদু শিখ্রগসু চৎনরম্লিবা ত্রেডিসন অদুগী মওং–মতৌ অমদি পনখৈনচিংবশিংদি হোংগদবা লৈতে। শম্না হায়রবদা ‘ত্রেডিসন’ হায়বসি মীওই কাঙলূপ অমগী মচৎ–মনাৎ ওইরক্লবগী মচাক মথুমশিংনি।

মণিপুরদা খ্বাইদগী মীশীং য়াম্বা কাঙলূপ ওইরিবসি মৈতৈনি। মৈতৈ কাঙলূপকী লোল অমসুং সংস্কৃতিনা মণিপুরগী মণিপুরী লোন অমসুং সংস্কৃতি ওইনা খঙনরকই। মণিপুরী সংস্কৃতিদা ‘সংস্কৃটাইজ’ অমসুং ‘নন–সংস্কৃটাইজ’ অনীমক্কী তোঙান তোঙানবা ত্রেডিসনগী মচাকশিং মরাং কায়না উবা ফংই। অদুগা অনী অসি য়ানশিন্নরগা শেম্বা তোপ–তোপ্পা মশক কয়াগী ত্রেডিসন কয়া অমসু লৈরি। মসিগী মথক্তা অমুক্কসু, লমদম অসিদা নোংপোক্লোমদগী অমদি নোংচুপলোমদগী (হারম) চঙশিল্লকখিবা ত্রেডিসনগী মচাক কয়া অমসুং মণিপুরী ত্রেডিসন ওইদুনা লৈরক্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা অমুক, লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ পূম্নমক্কী মশা মশাতগী ওইবা থায়নদগী লৈজরক্লবা তোপ তোপ্পা মশক কয়ামুক্কী ত্রেডিসন কয়া অমসু লৈরি। শেংনা হায়রবদা, মণিপুরী ফোক ত্রেডিসন অসিদি মাঙলমচৎতগী লৈরক্লবা কয়া অমা য়াওনা মরাং য়াম্না কায়। মশাগী ওইজবা তোপ তোপ্পা মশক্কী ত্রেডিসন কয়া অমসু য়াওরি।

মণিপুরী (মৈতৈ) ত্রেডিসনগী মশক খরা ঃ– মৈতৈ য়ূমথোঙগী ইমুং শন্থোংদা ‘সনামহী’ খুভম থমদুনা সনামহীবু ইমুংগী লাইনি হায়না লাৎনবগী ত্রেডিসন লৈ। ফুঙ্গা থমদুনা মৈ মুৎহন্দবগী চৎনবী লৈরকই। মৈতৈগী য়ূম অমদা লৈরিবা ইমুং অদুগী অহল লমন, মচানুপা, মচানুপীনা তুম্নবা অখন্নবা কা থম্নরকপা চৎনরকই। লাইনীংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেল শিদবীনচিংবা লাইশিংবু নীংজবগী চৎনবী মমাঙঙৈদগী লৈরকপগী মথক্তা হিন্দুগী লাই কয়াবুসু নীংন–লাৎনরি। মৈতৈগী ওইবা চহী অমগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা ঈরাৎ পূজা, হরাউ কূম্মৈ কয়া অমা পাঙথোকপগী চৎনবী কয়াসু লৈরকই। খুদম ওইনা– লমতা থাগী অহানবা থাংজদা মৈতৈনা শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকপগী চৎনবী লৈরকই, ঙসিসু মৈতৈগী তোপ তোপ্পা ত্রেডিসন অমা ওইনা পাঙথোক্লরি। নুমিৎ অসিদা কোনুংগী অমাইবশিংনা লমতাইপুঙ মরিদা– খুরাই পুঙ, ৱাংখৈ শৌদোন পুঙ, খ্বাই ৱাংথোনবী পুঙ অমদি ককৱা লমতাইপুঙদা লমতাইবগী থৌরম পাঙথোকপা চৎনরকই। চৈরাওবা অমদি উমংলাই হরাউবগী থৌরমশিংসু চৎনবী ওইনা পাঙথোক্লদুনা লাক্লি।

মৈতৈগীদি পোকপদগী শিবা ফাওবা মাঙলমচত্তগী হৌনা মীরোল অমদগী অমদা থঙথনদুনা ইন্নরক্লিবা ত্রেডিসন কয়া অমা লৈরি। খরদং পল্লবদা–

মৈতৈ ইমুংগী মৌ অমনা মীরোল্লকপগী থা ৭ সুরকপদা মপামগী মায়কৈদগী চফু ইৱান থিনবা কায়দনা চৎনরক্লি। মীরোনবগী থা ৯ শুরকপগীদা মীরোনবী অদুনা মমীৎ মমায় পাঙবদা (অঙাং উনবদা) খুৎলৌ–পাল্লৌদনবগী থাজনবীদা মপুরোইবা অদুনা মমাঙথোঙদা মখোঙ লাউনা লেপ্পগা নুপী অদুনা ষণ শাদুনা লিংথোকহনবগী চৎনবী ইন্নরকই। ত্রেডিসন অসি হৌজিকসু মৈতৈ ইমুং কয়া অমদা চখনদুনা ঙাক্লরি।

মৈতৈনা অঙাং পোক্লগা নাউফম্বু নুপাগীনা খা থংবা য়েনখা (য়েৎ) দা অদুগা নুপীগীনা অৱাং য়েনখা (ওয়) দা ফুম্বগী চৎনবী ঙাক্লরক্লি। অঙাং উনবগী মফমসু য়ূমগী চাকখুম কা অমদি লাইগী কাদা ওইহন্নদবগী চৎনবী লৈরকই।

মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং চৎনদ্রিঙৈগী মতমদদি অঙাং হেক পোকপগা মঙানি শুবা নুমিত্তা ইপান থাবগী থৌরম পাঙথোক্লরম্বতা নত্তনা তরা চাক শংলৌ এঞ্জাং থোংলগা ইমোইনু অহোংবী চাক্লীং খাক্লা চাকশৌবী, ৱাংলৈ য়েন্নীং থোক্লা য়েনশৌবী অচি তৎতবী অরাই কংদবীদা কৎলগা মাইবীনা য়াস্কোক্তা হাপ্পগা অঙাং অদুবু তরা চাউম্বা চৎনরম্মী। তরা চাউম্বা অদুদা হায়নরকপা ৱারোলশিংদুদি ঙসি ফাওবদসু মৈতৈনা অঙাং চউম্বদা হায়নবা চৎনরি। মদুদি–

নপা চাক নপূ চাক পাঙ্গল চাক
নাদয়াই শিদয়াই চাক
ঙসিদগী তাইবঙ চীঞ্জাক চারবনি
মম্ মম্ মম্ কু কু কু...।

অদুবু হিন্দু লাইনীং চঙলকখিবদগীদি মৈতৈনা অঙাং পোকপগী ইপান থাবা অসি নুমিৎ ৬ নি শুবদা পাঙথোকপা চৎনরকখ্রে। নুমিদাংদা খেল্লাই য়েকপা ঈরাৎনরম্বগী মহুত্তা ষষ্ঠী পূজা তৌবা চৎনরক্লি। অদুগা ১২ নিদা য়ূমশেংবগী থৌরম পাঙথোক্লবা চৎনরক্লি। অদুম্নমক, মৈতৈগী তোপ তোপ্পা ত্রেডিসন অমা ওইনা মমাঙঙৈগুম ইপান থাবগী অয়ূক্তা মাইবীনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদি হৌজিকসু কায়দনা পাঙথোকপা চৎনরি।

মৈতৈনা অঙাং ফাইবোক পোকপদা মমা মপানা তৌগদবা চৎনবী কয়ামুক ঙাক্লা চৎনরকই। অঙাংগী মমিং থোনবদা, অঙাংদুগী মচিন মনাওশিং অদু মনুং মতম চাদনা শিখি–নাখিবা থোক্লবদি নৌনা পোক্লিবা অঙাং অদুগী মমিংবু ‘মঙ্গী’, ‘মংলেম’, ‘মঙ্গীতোম্বী’ নচিংবা থোনবগী চৎনবী লৈরকই। মৈতৈ নুপা নুপী লুহোংবদসু হায়ন–শিংনবা, ৱারোইপোৎ, হৈজিংপোৎ হায়বনচিংবা থৌরম কয়া অমা পাঙথোকপা চৎনরকই। নুপী–নুপা য়ূম্বানমিন্ননবগী চেনবা থোক্লবদি নুপা ময়ূমগী অহল–লম্মনশিংনা নুমিৎ দারি কূমদ্রিঙৈ (অয়ুক) নুপী ময়ূমদা পাউ হায়দোকপা চৎপা চৎনরকই। লুহোংবদা নুপা অমসুং নুপীগী কাঙবুনা পাঙথোক্লগদবা– ঙা থাবা, লৈ কোয়বনচিংবা চৎনবী কয়া অমসু চৎনবী ওইনা লৈরকই।

মৈতৈগী চৎনরকপীদা, মী অমা শিরবদি মাইবা অমা য়াওদবা য়াদবগী চৎনবী লৈরি। শিরিবা ইমুং অদুগী অমদি মখোয়গী শাগৈ–নাতৈশিংগী য়ূম মাংবা, য়ূম শেংবা, শ্রাদ্ধ, থাগী লূক কৎপা অমদি ফিরোইনচিংবা পাঙথোক্লবগী চৎনবী কয়াসু লৈরি। অসিদসু নত্তনা মৈতৈনা শিবদা অশিথোঙ থিংবা, চুপ শাবা হায়বনচিংবা চৎনবী কয়াসু পাঙথোক্লবা চৎনরকই। মৈতৈনা শিরবা তুংদা থৱায়না খোঙহাম্পাৎতা খোঙ হাম্মী, থোঙঙাক লাইরেম্বীগীদা ঈশিং থকই, অদুদগী খা পাংনা মকোই নুংওন চীংলোমদা চৎলি, অদুদগী লাইজিংলোমদা চৎতুনা নুংশেলখোংদা মমায় তাই হায়বনচিংবগী থাজনবী অমা থম্নরক্তুনা মীওইবনা শিরবসু থৱায়দি শিবা নাইদে হায়বগী হিন্দুগা মান্নবা ত্রেডিসন অমসু শাগোন্নরকই।

মৈতৈগী ফোক ত্রেডিসনশিং অসি মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈগী ত্রেডিসনশিং অদুগা, হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতূংদা নৌনা চঙলকপা ত্রেডিসনশিং অদুগা য়ানশিন্নরগা ইতোপ তোপ্পা নৌনা চখরকপা ত্রেডিসন কয়া অমসু য়াওরি। মসিমক্লসু মণিপুরী ফোক ত্রেডিসনগী মশক অসি তোপ–তোপ্পা অমগুম্নসু থোক্লি। মৈতৈগী ত্রেডিসন অমা ওইনা হিন্দুগী কৃষ্ণ জন্মা, রাধা জন্ম, কাংচিংবা, দূর্গা পূজা, দিপাবলিনচিংবা হরাউ–কূম্মৈ কয়া অমসু মীরোল অমদগী অমা লান্না পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। ময়াম অদুগী মনুংদা ‘সরস্বতি পূজা’, খুন্নাইগী ফীভমগী মতূং ইন্না অসুম অসুম মাঙশিল্লকখিবসু ঐখোয়না থেংনরি।

মৈতৈগী মশান্না মখলশিং অমদি ফিজেৎ–চাকচা য়েংলগদি ঙসিসু হোংদনা চখনরক্লিবা মৈতৈগী ওইবা ত্রেডিসন অয়াম্বদি লমদমসিগী মশাগী ওইজবনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই। মৈতৈগী কাং শান্নবদা কাংশি লৈরবদি ফত্তে হায়দুনা কাং শান্নবা লোইদ্রিঙৈদা কাংশিশিংদু হিংঙ্গৎহল্লগা শান্নবা লোয়শিনবা চৎনরি। কাং শান্নবগী মতমসু জগবন্ধু চেপত্রিফাওবা শান্নবগী চৎনবী লৈরি। শান্নবগী মওংসু চেকফৈ তাল্লবা মতূংদা লমথা কাপ্পগা পাঞ্জল লৌনবা চৎনরকই। শগোল কাঙজৈ অমদি খোঙ কাঙজৈ শান্নবদা মীচঙ ৭–৭ ওইরগা শান্নবগী চৎনবী লৈরকই। মুক্না শান্নগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা শেৎকদবা ফিজেৎ, শান্নবগী নিয়মনচিংবগী চৎনবী লৈরকই।

মৈতৈগী ওইনা ফিজেৎকী মতাংদসু ফোক ত্রেডিসন কয়া অমা লৈরকই। মফম, মতম অমদি থৌদোক্কী মতূং ইন্না তোঙান তোঙানবা অখন্নবা ফিজেৎ কয়া শেৎনরকপা চৎনরকই। অশি–অনা অমদি লাই–তিনগী থৌরমশিংদা মৈতৈ নুপীনা পুংঙৌ ফনেক শেৎলগা অঙৌবা ইন্নফি ইনবা অদুগা নুপানা অঙৌবা ফৈজোম পুময়াৎ ইন্নফিনচিংবা শীজিন্নবগী চৎনবী লৈরি। লিক–কোলগী মতাংদসু মৈতৈগী ওইবা ফোক ত্রেডিসনগী ওইনা মীচম প্রজানা শীজিন্নবা য়াবা য়াদবা, নিংথৌনা শীজিন্নগদবা হায়বনচিংবা কয়াগী চৎনবী লৈরকই।

মৈতৈগী ওইনা চাকচা–ইথক্কী মতাংদসু ফোক ত্রেডিসন কয়া অমা লৈরি। মৈতৈনা নুমিদাংদা উতি, শঙ্গোম অফম্বা চানদে। উতি চাবা তারগনা উতিদুদা ঈশিং খরা হৈজিল্লগা চানবা চৎনরকই। মৈতৈনা চাক থোংবদা খাবৈ তেক্লবদি থোংলিবদু নুপানা চানদে, চফু কায়রগনা নুপীনা চানদবা চৎনরকই। মৈতৈগী মীয়াম চাবা উসোব অমদা খ্বাইদগী অহল ওইবদুনা নৎত্রগা ব্রাহ্মণনা মকোক ফম্বা চৎনৈ। চাবা হৌবসু লোয়বসু পুল্লপ হৌমিন্নবা অমদি লোয়মিন্নবা চৎনৈ। উসোব চাবগী ইরোয় লোয়বা শরুক্তা ‘হৈ’ অমসুং ‘থুম’ য়েনবসু মৈতৈগী ত্রেডিসন অমা ওইনা চৎনরকই।

মৈতৈগী য়ূমদি অমা হেক উবদা মৈতৈগীনি হায়বদু হেক্তা খঙবা ঙম্বগী মওংদা মৈতৈগী ওইবা ত্রেডিসনগী মশক ঙাক্লা য়ূম শাবা চৎনরকই। মৈতৈগী য়ূম শাবদা লাইখল তাবগী মওং চৎনরকই। মৈতৈনা য়ূম অমা শানবগীদমক য়ূম্ফম খনবা অমসুং শেম্বগী অমদি শাবদা ঙাক্লা চৎনরকপা ত্রেডিসন কয়া অমসু লৈরি।

মৈতৈগী ওইবা ৱাঙাঙ শঙাঙগী চৎনবী কয়া অমসু লৈরকই। লৈবাক নিংথৌদা ঙাঙগদবা ৱাঙাঙ, মথক থোংবদা হায়গদবা ৱাঙাঙ, মখা থাবদা ঙাঙগদবা ৱাঙাঙগী হৌনবী চৎনবী কয়া অমা লৈরি। মিঙ্গৌরোলগী চৎনবী কয়া অমসু লৈরি। পাউখোং অমদি পাউরৌনচিংবগী মতাংদসু শীজিন্নফম অমদি পাউখোং চন্নবগী চৎনবী অমা মীরোল কয়াদগী মথং মথং থঙথদুনা ঙসি ফাওবদা চৎনরক্লি। ঈশৈ–নোংমাই অমদি অতৈ পার্ফোমিং আর্টকী মায়কৈদসু মৈতৈগী ওইবা তোপ তোপচবা ত্রেডিসন কয়ামুক লৈজরকই। লাই হরাউবা, নট সংকীর্তন, খোংজোম পর্ব্বা, খূবাক ঈশৈ, খুন্নুং ঈশৈ, নাউশুম ঈশৈনচিংবা ঈশৈ মখল কয়া, থৌদোক থৌরম অমদি মফম মতাংগী মতূং ইন্না শকপা চৎনরকই। খুদম ওইনা– অনোইরোল, পাউশানচিংবা ঈশৈ মখলশিং, লাই হরাউবদা শক্লে। ‘থা থা থাবুংতোন...’ না নুমিদাং অঙাং থেম্বদা নাউশুম ঈশৈ ওইনা শকপগী চৎনবী লৈরকই। ফৌ শুবদা অমদি অতৈ থবক ইনখাং তৌবদা শক্লবা ঈশৈ কয়া অমসু মৈতৈগী ফোক ত্রেডিসন ওইনা লৈরকই। লাই হরাউবদা শারিবা জগোয়গী খূখেক অমদি থাবল চোংবগী খূৎচোংনচিংবশিং অসিসু মৈতৈগী ওইবা তোপ তোপ্পা ফোক ত্রেডিসনগী মশকশিংনি। খূবাক ঈশৈদা খূবাক্লা তান থাদুনা শকপা, খোংজোম পর্ব্বদা ধুলক য়ৈদুনা ৱারী কয়া ঈশৈ ওইনা শকপা, পেনা খোংদুনা ৱারী কয়া ঈশৈ ওইনা শকপা অমসুং লীবনচিংবশিং অসি উৎলিবা মওং মতৌ অমদি লোয়নরিবা ফিজেৎ লৈতেংনচিংবা কয়া অসিসু মৈতৈগী চৎনবী ত্রেডিসন অমা ওইনা মীরোল অমদগী অমদা মথং মথং থঙথনরক্তুনা ঙসি ফাওবদা চখনরক্লি।

মৈতৈগী রাস লীলা জগোয়দা য়েংসি। মসিদা লমদমসিগী ওইবা তোপ তোপ্পা মখলগী ত্রেডিসন কয়াগা লোয়ননা মপান লমগী ওইবা ত্রেডিসন কয়া অমসু য়ানশিল্লি। অদুবু অনী অদু নীংথিনা তিনশিন্নরগা লমদমসিগী ওইবা অনৌবা ত্রেডিসনগী নীংথিরবা মশক অমা ওইনা চৎনরক্লি। ৱারী লীবা, লাইরিক থীবনচিংবা মৈতৈ ফোকক্কী ওইবা ত্রেডিসন কয়া অমসু ঙসি ফাওবদা মীরোল অমদগী থঙথদুনসু লাক্লি।

অসুম্না মীরোল কয়াদগী মথং মথং থঙথনদুনা চখরক্লিবা মণিপুরী ফোক ত্রেডিসনগী মশক কয়া অসিবু খঙবা ঙম্লবদি মণিপুর জাতিবু মশক চপ চানা খঙবা ঙমগনি। মদুমক্লনি, জাতি অমগী মশক খঙগে হায়রবদি জাতি অদুগী ত্রেডিসনশিং খঙবা তঙাইফদে হায়নরিবসি।

(সনথোঙদগী)

মীয়ামগী খোল্লাও, মীয়ামগী ৱাকৎ, মীয়ামগী মত

লান্দনবা হোৎনসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

খাঙবা কনবা, নীংহন্নদবা হায়বসিনা মায় পাকই হায়বসি চহী ৭ কেস থেংনরবা মতুংদা লানঙম ফিরাল থেৎতুনা পাউচেগী খূৎথাংদা মীয়ামদা পাউদমখিবী ইবেম্মা এলাংবম ববিনানা খুদম ওইরে। কুমজা ২০১০ গী অহানবা থাদা ফল লাউথোকখিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নুপী সব–ইন্সপেক্তর লৌবদা ক্বালিফাইদ ওইবা অশেংবা শান্নরোই খন্দনা শাশিন্নবা সার্টিফিকেট পায়বা খনদুনা থবক হাপখিবগী লৈবাক পূংজাউ থিনখিবনি। খুন্নাই অসিগী লৈঙাক্তা অমদি মীয়ামদা মীৎ–নাকোং ওইহৌনবা পৈশা কয়া চঙনা, মতম কয়া মাঙনা, মখল কয়াগী থৌরাং তৌদুনা অচুম্বা মশক তাক্লবা হোৎনখিবী থৌনা লৈবী ইবেম্মা এলাংবম ববিনা শকখঙ মায়খঙনদ্রবসু থাগৎতবা ঙমদে। আইনদা মীচঙ মীখাই নাইদে, অচৌ–পিশক খায়দে হায়বদু তাক্লে তৌবতবু ৱায়েল চখবদা চহী ৭ চঙখি হায়বা অসিমদি তাবদা নুংঙাইবা ৱাৎলি। কেসকী মতম চঙহন্দনবা আইন অমা শেম্বনা মালেমদা মীশীং য়াম্বদা খঙনরবা ভারতকীদমক্তদি সিটিজেন এমেন্দমেন্ট বিলদগী হেন্না তঙাইফদ্রবরা খন্নরক্লে। হৌখিবা মতম অমুক হল্লক্তবনা ইবেম্মা এলাংবম ববিনাগী শাংলবা চহী ৭ কী পুন্সিগী তাঙ্কক অমবুদি লৈঙাক্লসু, ৱায়েলশঙনসু, শেম্বীবা মপু ফাওবনসু মেনখৎপা ঙম্নরোই। লৈঙাক্কী অশোয়বা অরানবা অমনা মীবু অতম্না অৱাবা চৈথেঙ পীরক্লবদা ৱাকৎফমসি ৱায়েলশঙনি। ৱায়েলশঙদা ৱাকৎপা হায়বসি ৱায়েল কাংলোন শুবা/ নৈনবা উকিল অমগী মতেং তঙাইফদনা লৌবা তাবনি। অৱামন পীবা তাবনি। লৈঙাক্কী তলব/ শেল ফংবদি নত্তবনা হিংদবদি য়াদবনা উকিলশিংসু লৌবা তাবনি। তৌবতবু থম্মোয় শেংবা তাই। আইনবু শেন্দাল লম্বী ওইনা উহন্দবা তাই। কেস মতম চঙহন্দনবা হোৎনবীবা তাই। ৱাকৎ অদুগী মেরিট দিমেরিট ময়েক শেংনা খঙহনবীবা কান্নগনি। জষ্টিস ডীলে জষ্টিস ডীনাইত হায়নবা লৈ। তাইবঙদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা হায়বসি মতমনি। ঐখোয় ৱাখল খনবা ঙম্বা থৱায় পানবা মীওইবনি। লান্দাবদি ঙমদে অদুবু লান্নীংবদি ফত্তে। লান্দানবা হোৎনসি।

অদোমগী
মোইৱাংথেম মেনা দেবী
সোইবম লৈকাই

জিরিবাম জিলাগী মণিপুর রুরেল বেঙ্ক কদোমদা?

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈবাক অমদা লৈরবদি বেঙ্ক য়াওদনা লৈবা য়াদে। বেঙ্কনা লৈবাক অদুগী য়াংলেন শরূনি, মরম অসিনা ভারত সরকারনা রাজ্যশিংদা নেসলাইজ অমদি রুরেল বেঙ্ক লিংখৎতুনা রাজ্যশিং চাউখৎনবা হোৎনরি, করম্বা লৈবাকপু বেঙ্ক য়াওদনা ইকোনোমি সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট য়াওখ্রবগে?

মণিপুর রুরেল বেঙ্ক রিজনেল রুরেল বেঙ্ক এক্ট ১৯৭৬ গী মতূং ইন্না ইংশোক ১৯৮১ গী মেগী তাং ২৮ দা লিংখৎখিবনি। বেঙ্ক অসিনা অর্বান অমদি রুরেল এরিয়াদা মথৌ নীংথিনা তৌরি।

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ফাইনেসিয়েল এন্দ দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী অনীশুবা মীটিন এমপৱারমেন্ট কম্মিটি ফোর আর আর বিগী মণিপুরগী এজেন্দা নোট মার্চ ৩১, ২০১৭ অমদি জুন ৩০, ২০১৭ গী মতূং ইন্না এজেন্দা নং ২ দা মণিপুর রুরেল বেঙ্কগী অনৌবা ব্রাঞ্চশিং হাংননবগী লাইসেন্স ইশু তৌখি। ব্রাঞ্চশিং অদুদি সঙাইয়ুম্ফম, থৌবাল, নাওরেমথোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট নবেম্বর ১৮ দা হাংখ্রবা, খুম্বোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, নবেম্বর ২০১৮ দা হাংখ্রবা লমলাই, ৩১।০৩।২০১৯ ফাওবগী মনুংদা হাংগদবা, বিষ্ণুপুর, নবেম্বর ২০১৮ দা হাংদোকখিবা, সেনাপটি ৩১।০৩।২০১৯ ফাওবগী মনুংদা হাংগদবা জিরিবামদা মণিপুর রুরেল বেঙ্ক অসি হাংনবগীদমক্তা মণিপুর সরকারগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট (ইন্সটিট্যুস্নেল ফাইনান্স) গী Letter No. 3/250/2018-D/IF তাং ৭, আগষ্ট ২০১৮ দা জিরিবামগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারদা ব্রাঞ্চ অমা হাংননবা চিঠী অমা ইখি। চিঠী অসিগী কোপী চেয়ার্মেন, মণিপুর রুরেল বেঙ্ক (ঐচ ক্যু), কৈশাম্পাৎতা পীখি। চিঠী অসিগী মতূং ইন্না মণিপুর রুরেল বেঙ্কগী মেনেজরনা জিরিবামগী একজিক্যুটিভ ওফিসারগা ফোনদা জিরিবামদা বেঙ্কগী মফম য়েংলনবা ৱারী শাখি। জিরিবাম য়ৌরগা একজিক্যুটিভ ওফিসার কন্টেক্ট তৌবদদি একজিক্যুটিভ ওফিসারগী ফোন স্বুইচ ওপ লৈখি। তাঞ্জা অসিদা ঐহাক্লা চেয়ার্মেনগী লৈননবা বেঙ্গলো ওফিসারদা শিনখি। ঐহাক্লা লোয়ননা এস পি জিরিবাম ওফিসারগী মনাক্তা লৈবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওফিস চৎতুনা য়েংহনখি।

জিরিবাম নৌনা শেমগৎপা জিলানি। জিলা অসি শেমগৎপদা বেঙ্কগী চাউরবা থৌদাং তঙাইফদে। জিরিবামগী প্রজা অমা ওইনা ঐখোয়না হংজরিবদি ঙসি ফাওবা জিরিবামগী দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা থারকপা চিঠী অদুগী পাউখুম নৎত্রগা থবক ওইনা ঙসিফাওবা পাঙথোক্ক্রি। মতাং অসিদা হংজনীংলিবা ৱাহংদি মাঙজরিবশি জিরিবাম প্রজাগীরা নৎত্রগা লৈবাক্কী থৌপুবীরিবশিংগীরা? বেঙ্ক অসি ৩১।০৩।২০১৯ গী মনুংদা হাংদোক্ত্রবদি আর বি আই গী লাইসেন্স ককখিবা য়াই প্রজা অমা ওইনা দিপ্যুটি কম্মিস্নারগী অথুবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

অদোমগী
য়ুম্নাম ঝলাজিৎ সিংহ
শড়ক অতিংবী খুন্নৌ, জিরিবাম